## নুপী পুলিস ওফিসর অনী হাৎখ্রে

কন্দাহর, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানগী খা থংবা কন্দাহর প্রোভিন্সকী কেপিটেল সিটি কন্দাহরদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা টালিবান মিলিটেন্টশিংনি হায়না চিংনবা মীওইশিংনা অফঘান নুপী পুলিস ওফিসর অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না লোকেল পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। সিটি অদুদা অয়ুক্কী মী চিল্লকপা মতমদা টেররিষ্টশিংনা মথৌ মশক খঙবা নুপী পুলিস ওফিসর অনী অদু হাৎখিবনি হায়না প্রোভিন্সিএল পুলিসকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি।

## অদেন্দা লান হৌখ্রে

অদেন, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি) :
য়েমেনগী হিথাংফম সিটি অদেনগী নোংপোক থংবা শরুক্তা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং থোমজিনখিবগা লোয়ননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সিটি অদুদা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং সাউদর্ন সেপরেটিষ্টশিংগী মরক্তা অচৌবা অর্টিলরি নোংমৈশিং কাপ্লদুনা অকনবা লান অমা হৌখ্রে হায়না মফম অদুগী মীওইশিংনা ফোঙদোক্লখ্রে।

# লান লোইশিন্নবগী দিল অমা নকশিল্লক্লবা মতমদা টালিবান্না প্রো-গভর্নমেন্ট মিলিস্যা ১৪ হাৎখ্রে



কাবুল, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি) :
টালিবান অমসুং য়ু এস ওফিসলশিংনা কটরগী কেপিটেল দোহাদা ৱারী শান্নবদা অফঘানিষ্টানগী চহী ১৮ শুরক্লবা লান লোইশিনবা য়ানবগী দিল অমা পুরকপা য়াবগী মতম নকশিল্লক্লিঙৈ চৈরক্তা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা য়ামদ্রবদা প্রো-গভর্নমেন্ট মিলিস্যা কাঙবু অমগী মীওই ১৪ হাৎখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স হেরাটতা খুৎ থোক্লবদা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা মিলিস্যা মেম্বর ১৪ হাৎখিবগা লোয়ননা মীচম কয়া অশোক-অপন নংখ্রে হায়না গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

হেরাট পুলিসকী স্পোক্সমেন অব্দুল অহদ ৱালিঝাদানা ফোঙদোকখিবদা, চাহর্দারা এরিয়াদা লৈবা সিক্যুরিটি চেক পোইন্টশিংদা মশিং য়ান্নবা টালিবান ফাইটরশিংনা থোমজিন্দুনা চথুখিবা অচৌবা এটেক অমদা মীওই ১৪ শিখ্রে। নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৯ অশোক-অপন নংখি অমসুং মফম অদুদা অহেনবা অফঘান ফোর্সশিং চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা টালিবান মিলিটেন্টশিং মফমদুদগী তকথোকখি হায়না ৱালিঝাদাদা মখা তাখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা টালিবান ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইবা কমেন্ট অমত্তা লৌবা ঙমখিদে। টালিবান্না অফঘানিষ্টানবু মালেমগী মিলিটেন্টশিংনা মপানগী লমশিংদা এটেক চথুনবগী শরৌ শীনফম ওইনা শীজিন্নহল্লোই হায়বগী গরেন্টি পীবগী ফিভমদা অফঘানিষ্টান্দগী য়ু এস ট্রুপশিং লৌথোকপা হৌহনগদৌরিবা এগ্রীমেন্ট অমা দোহাদা থা কয়ামুক চুপ্পা ৱারী শান্নরক্লবা মতুংদা খুৎয়েক পীনবা য়ানা লৈরে হায়না য়ু এস অমসুং টালিবান ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লরিঙৈ চৈরক্তা ইনৌ নৌবা এটেক অদু চথুরকখিবনি।

টালিবানগী মায়কৈদগী মখোয় য়ু এসকা ফাইনেল এগ্রীমেন্ট অমা পুরকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লাউথোরকখিবনি।

# বোরিস জোন্সন্না ক্বিনদা পার্লিয়ামেন্ট সস্পেন্দ তৌনবা পাউতাক পীখ্রে



লন্দন, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি) :
এম পিশিংনা সেপ্তেম্বর থাদা থবক তৌনবা পার্লিয়ামেন্টতা হল্লকখিবা মতুং ইকুই কুইদ্রিঙৈ অমসুং ব্রেক্সিটকী ঈ য়ুগা য়ানখিবা মতম য়ৌগদবা শুপ্পগী চয়োল খরখক্তা ঙাইশিল্লক্লবা মতম য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বৃটিশ গভর্নমেন্টনা লৈবাক অসিগী ক্বিনদা মতম খরা পার্লিয়ামেন্টকী থবক থৌরমশিং লেপহন্নবা পাউতাক পীখ্রে।

চৈরকসিদা ওপোনেন্টশিং অমসুং ক্রিটিকশিংনা বৃটিশ গভর্নমেন্টকী খোঙথাং অদুনা কন্সটিট্যুস্নেল ক্রাইসিস অমা লাকহনবা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্না হায়খি মদুদি, পার্লিয়ামেন্ট সস্পেন্সন্দা থল্লবা মতুং ওক্তোবর ১৪ দা বৃটিশ ক্বিন্না স্পীচ পীদুনা মহাক্কী গভর্নমেন্টকী তাবদা নুংঙাইরগদবা এজেন্দাগী মরু ওইবা শক্তমশিং লৈবাক পুন্বদা লাউথোক্লগনি। অমরোমদা, খোঙথাং অসিনা তাক্লিবদি এম পিশিংনা ওক্তোবর ৩১ দা দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটকী থৌরাং থিংনবগী লোশিং পাস তৌবা য়াবগী মতম তেনশিল্লগনি হায়বসিনি। হাউস ওফ কম্মন্সকী স্পীকর জোন বর্কাওনা গভর্নমেন্টকী খোঙথাং অদু কন্সটিট্যুসনবু শীংনবা থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখি।

লেবর পার্টিগী লুচিংবা জেরেমি কোর্বিন্না চৈরকসিদা বৃটিশ ক্বিন্দা চেরোল অমা ইদুনা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌদ্রিঙৈগী মমাংদা অথুবা মীফম অমা কৌবিনবা তকশিনখ্রে। মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টরনা চথরক্লিবা থৌওং অদু পার্লিয়ামেন্যতগী লাপথোক্লবা হোৎনবনি হায়খি।

# পুটিন, ঈর্দোগান্না মিলিটরি কোওপরেসন পাকথোক-চাওথোকহন্নবা শেম শাখ্রে



মোস্কো, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি) :
মিলিটরিগী লমদা রসিয়া অমসুং টর্কিগী মরক্তা হেন্না পাকথোক-চাওথোক্লা কোওপরেসন পীন্ননবা শেম-শারে হায়না রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন অমসুং মহাক্কী টর্কিস লেংমান্নবা রেসেপ টায়িপ ঈর্দোগান্না ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না প্রসিদেন্ট ঈর্দোগানগী খোঙচৎ অসিবু এভিএসনগী লমখক্তা নত্তনা মিলিটরি-টেক্নিকেল কোওপরেসনগী অতৈ সেক্তরশিংদসু শীংথানিংঙাই ওইবা জোইন্ট প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎনবগী খন্নবা য়াবা খুদোংচাবা তাঞ্জা অমা ওইনা শীজিন্নরি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পুটিন্না প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না লুচিংবা অনীনা ইন্টরনেসনল এভিএসন এন্দ স্পেস সলোন নৎত্রগা মাস্কৌকী নাকোয়ননা ৱারী শান্নরবা মতুংদা পুটিন্না পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙখিবনি।

পুটিন্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, রসিয়ানা টর্কিস পাইলোটশিংদা সু-৩০ এম এম ফাইটরশিংদা পাইহন্নবগী ৱাফম ওফর তৌনবা শেম শারে। ঈর্দোগান অমসুং মহাক্না সু-৩৫ অমসুং অনৌবা সু-৫৭ জেটশিংগী মতাংদা কোওপরেসন পীননবা খন্নখ্রে হায়নসু পুটিন্না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না লৈবাক অনীগী মরক্তা সু মিলিটরি জেটশিং শাবগী মতাংদা করম্না কোওপরেসন পীনগদগে হায়বগী অকুপ্পা ৱারোলশিংদি পনখিদে।

পনবা য়াবদি, রসিয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা টর্কিদা এস-৪০০ এয়র দিফেন্স মিসাইল সিষ্টেমগী অনীশুবা বেচ পীবা হৌখ্রবনি। রসিয়ানা টর্কিদা অনৌবা খুৎলায়শিং অমসুং অনৌবা রেদিও-ইলেক্ট্রোনিক ৱারফ্যের সিষ্টেমশিং উৎখ্রে অমসুং অতৈ-অতৈ খুৎলায় কয়ামরুমসু লৈবাক অনীনা পুন্না পুথোকমিন্ননবা হোৎনবা য়াগনি হায়না পুটিন্না মখা তাখি।

# ফেরি মৈ চাকপদা মীওই ৩ শিরে, ৬৯ থিবা খঙখিদ্রে



মানিলা, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি) :
ফিলিপিন্সতা য়ামদ্রবদা মীওই ১৭৪ তোংবা ফেরি অমা মৈ চাক্লকপদগী চহী অমা শুবদা ঙাইরিবা পীক্লিবা অঙাং অমা য়াওনা মীওই অহুম শিরে অমসুং অতৈ মীওই ৬৯ না থীবা খঙখিদ্রে হায়না ইফে ন্যুজকী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি।

মৈ চাকপদু ফেরি অদুনা ফিলিপিন্সকী ময়াই থংবা অমসুং খা থংবা লমদমশিংদা লৈরিবা মথংশিংনা সেবু অমসুং দাপিতান সিটিশিংগী মরক্তা মী হোল্লিঙৈ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহিংদা হৌরখিবনি। পেসেঞ্জর ১৩৬ তোংবা অমসুং ক্রু মেম্বর ৩৮ য়াওবা লাইট ফেরি ১৬ অদুদা মৈ চাক্লকখিবগী মরম খঙবা ঙমদ্রি হায়না লৈবাক অদুগী কোষ্ট গার্দনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখি। মীওই ১০২ রোবদি কনবা ঙমখি হায়না ইফে ন্যুজগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

কোষ্ট গার্দনা রেস্ক্যু তৌখিবা মীওই অনী ৱাখল তাদনা হোস্পিটালদা পুখৎখি অমসুং মখোয়না মখা তানা অহেনবা হিংহৌবা মীওইশিং থিবগী থবক চথুখি। নোর্থ ঝাম্বোংগা প্রোভিন্সতা লৈবা কোষ্ট গার্দ ষ্টেসনগী কম্মান্দর চেরি রোজ মনাইগী মতুং ইন্না নুংশিৎ কন্না শীৎপদগী সমুদ্রগী ইথক-ইরৈশিং কনমনবদগী মী থিবা অমসুং কনবগী ওপরেসন্দা অকায়বা থোকখি।

ৱিটনেসশিংনা সোসল মিদিয়াদা থাগৎনখিবা ভিদিওশিংদা রুট অদুদা চেনবা অতোপ্পা পেসেঞ্জর ফেরি অমা খামদুনা লাইট ফেরি ১৬ মৈরিনা য়োমখিবদা ঈশিংদা চোংথনরিবা মীওইশিং কন্নবা হোৎনবগী শক্তমশিং উবা ফংখি।

থৌদোক অদুবু উহৌবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অতোপ্পা ফেরি অদুদা তোংবা মীওইশিংগী মনুংদগী অল্লান বরেদো কৌবা অমনা ফেসবুক পোষ্ট অমদা হায়খি মদুদি, কোষ্ট গার্দনা মফম অদুদা থুংখিবদু মৈ চাকপা হৌখিবা মতুং পুং ৪ কান্নখি।

দাপিতান্দা কোষ্ট গার্দকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, মখোয়না য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নোংয়াই মতুং পুংখায়রোমগী মতমদা লাইট ফেরি অদুগী কেপ্টেন অদুন কোল তৌরক্তুনা খুদক্তা মতেং পাংবিনবা হাজরকখি।

# মেক্সিকোগী বার অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৩ হাৎখ্রে



মেক্সিকো সিটি, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি) :
মেক্সিকোদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক্কী মখাদা থোক্লকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা ক্রাইমগী থৌদোকশিংগী মনুংদা অমনি হায়বা য়ারবা থৌদোক অমদা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা লৈবাক অদুগী খা-নোংপোক থংবা হিথাংফম কোটঝাকোলকোসতা লৈবা বার অমদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা চথুখিবা এটেক অমদা য়ামদ্রবা মীওই ২৩ শিখ্রে।

ভেরাক্রুজ ষ্টেটকী এটোর্নি জেনরেলগী ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না ‘কাবলো ব্লানকো’ বারদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক তৌখিবা মতুংদা নুপী ৭ অমসুং নুপা ১৫ শিখি। অতোপ্পা মীওই ২৩ না ফিভম থিনা শোকপগা লোয়ননা হোস্পিটালদা লায়কন্নরি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তারি।

অতম্ননা চথুবগী মওং মানবা এটেক অদুবু এটোর্নি জেনরেলগী ওফিসনা কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট পুলিসনসু ট্বিটরদা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়না চিংনবা মীওইশিং থিবগী থবক কন্না চথুরি হায়খি।

ভেরাক্রুজ ষ্টেটকী গভর্নর কুইটলাহুৱাক গর্সিয়ানা গেংশিংগী মরক্তা য়েংথিনবা অমসুং য়েংনবা লৈবনা মরম ওইদুনা বার অদুদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক তৌখিবা ওইরম্বা য়াই হায়বগী সজেসন পীখি।

মেক্সিকোগী মিদিয়া খরনা গনমেনশিং অদুনা অহানবদা বার অদুদা নোংমৈ কাপশিল্লবা মতুংদা মোলোটোভ কোকটেলশিং শীজিন্নদুনা বার অদুবু মৈ থারমখি হায়না ফোঙনখি।

হৌখিবা এপ্রিলদা ভেরাক্রুজতা লৈবা অতোপ্পা বার অমদা এটেক তৌদুনা মীওই ১৩ শিহনখিবগী থৌদোক অমা থোকখ্রবা মতুংদা খ্বাইদগী নৌবা বারদা এটেক তৌবগী থৌদোক অসি থোক্লকখিবনি। মমাংগী থৌদোক অদুবু নৌনা ফম পায়বা হৌখিবা প্রসিদেন্ট অন্দ্রেস মান্যুএল লোপেঝ ওব্রাদরনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা গেংশিং চেন্নবা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং লাকশিন্নবগী খোঙথাং কয়া লৌখৎলগনি হায়না লৈবাক মীয়ামদা লাউথোকখি। গল্ফ কোষ্ট ষ্টেট অদু য়ু এস বোর্দর তম্না দ্রগ পুবগী মরু ওইবা ট্রান্জিট পোইন্ট অমনি।

# হোং কোংগী প্রোটেষ্টরশিংনা কেথে এয়রৱেজতা ষ্টাফ কিহন-খঙহনবা লেপ্পবা হায়খ্রে

হো কোং, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি) :
চাইনিজ লৈঙাক চৎনরিবা হোং কোং সিটিদা চয়োল কয়ামরুম চথুরকখিবা এন্টি-গভর্নমেন্ট রেলিশিংদা শরুক য়াবা নৎত্রগা রেলিশিং অদুবু শৌগৎপগীদমক্তা কেথে পেসিফিক এয়রৱেজনা এয়রলাইন অসিগী ষ্টাফ মেম্বর কয়া দিসমিস তৌখিবগী থৌওং য়ানিংদবা উৎলদুনা প্রোটেষ্টর চা কয়ানা হোং কোংগী লম্বীশিংদা রেলি পাঙথোকখ্রে।

হোং কোং কনফেদরেসন ওফ ট্রেদ য়ুনিয়ন (ঐচ কে সী টি য়ু)না প্রোটেষ্টকী মফম হান্না এয়রলাইন অদুগী এয়াপোর্টতা লৈবা হেদক্বাটরস, কেথে সিটিগী মপান্দা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বদগী পুলিসনা পার্মিসন পীয়ু য়াদবনা মরম ওইদুনা সেন্ট্রেল ফাইনান্সিএল দিষ্ট্রিক্টতা হোংখি।





প্রোটেষ্টরশিংনা নুমিৎ কয়ানিমুক এরাইভেলস হোলদা থোমজিন্দুনা লৈখিবদগী এয়রপোর্ট অদু চয়োল অনীগী মমাংদা নমদুনা থিংখিবনি। ফিভম অদুনা মরম ওইদুনা ফ্লাইট ১০০০ রোম কেন্সেল তৌখি অমসুং প্রোটেষ্টরশিংনা মরক-মরক্তা পুলিসকা খুৎ থোক্লখি।

পাইলোট অমসুং কেবিন ক্রু ২০ মফম থদৎখিবদগী প্রোটেষ্টরশিংনা কেথে পেসিফিক এয়রৱেজদা টার্গেট তৌখিবনি। এয়রলাইন অসিগী থৌওং অদুবু ষ্টাফনা হ্বাইট টেররনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ামদ্রবদা মীওই ১,০০০ রোম পুনখিবা প্রোটেষ্টকী মফম অদুদা ইংলিস লোলদা ইবা ব্লেক বেনর অমনা ষ্টাফকী টর্মিনেসন রিভোক তৌ, সী এক্স ষ্টাফতা কিহন-খঙহনবা লেপ্পু হায়না ফোঙদোকখি। হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অদুগী ওথোরিটিশিংবু শীংনদুনা হৌখিবা জুনদগী চথুরকখিবা অকনবা দেমোনষ্ট্রেসন কয়াগী মরক্তা কেথে এয়রলাইন্সসু চেন্নরকখিবনি। চাইনানা প্রোটেষ্টশিং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু এস অমসুং বৃটেনবু হোং কোংগী ৱাথোক্তা খুৎ থিংজিল্লি হায়না মরাল শীখি।

# কিংদাও পোর্টতা য়ু এস ৱারসিপ লাকপগী ৱাফম চাইনানা য়াখিদ্রে



ৱাশিংটন, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি) :
হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা চাইনাগী হিথাংফম সিটি কিংদাওদা য়ু এস নেভিগী ৱারসিপ অমনা ভিজিট তৌবা য়ানবা হায়জখিবা অমা চাইনানা য়ারক্ত্রে হায়না মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ইকনমি অনীগী মরক্তা উংখৎনবা অমা লৈরিঙৈ চৈরক্তা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ু এস দিফেন্স ওফিসল অমনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হায়জবদা চাইনানা য়াখিদবগী থৌদোক অসি মসিনা থা অসিদা অনীরকশুবনি। হান্নগী বৃটিশ কোলোনি হোং কোংদা পোলিটিকেল ক্রাইসিস হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা মমাংদা য়ু এস নেভিগী জহাজ অনী হোং কোংদা লাকপা য়ানবা হায়জখিবা অমা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা রিজেক্ট তৌখ্রবনি।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, য়ু এস নেভিগী দিষ্ট্রোয়র অদু নোংমাইজিং নুমিত্তা কিংদাওদা চৎলমগদবদা চাইনানা নুমিৎসিগী মাঙওইননা য়ু এস নেভিনা হায়জখিবা ৱাফম রিজেক্ট তৌরকখি।

দিফেন্স ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না য়ু এস মিলিটরি জহাজশিংনা মরক-মরক্তা চাইনাদা চৎখি। খ্বাইদগী ইনৌ নৌনা য়ু এসকী মিলিটরি জহাজশিংনা চাইনাদা চৎখিবসি কুমজা ২০১৭ দনি। কিংদাওদা ইকোন কোনবা ওইনা য়ু এসকী জহাজ বেনফোল্ডনা ভিজিট তৌখি।

য়ু এসনা হায়জবদা করিগীদমক্তা য়ারক্ত্রিবনো হায়না হংবদা য়ু এস দিফেন্স ওফিসল অদুদা ৱাহং অদু বৈজিংদা হংগদবনি হায়খি। অমরোমদা, বৈজিংদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন গেং সুৱাংনা ফিভম অদুগী মতাংদা মঙোন্দা নোলেজ লৈতে হায়রদুনা মিলিটরিদা ওইনা মরী লৈনবা ৱাহংশিং হংবনা হেন্না ফগনি হায়খি। চাইনিজ দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনসু ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা কমেন্ট পীয়ু য়াখিদে।

# জপানদা নোং কন্না চুবদগী মীওই ৩ শিরে



টোকিয়ো, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সি) :
জপানগী মফম কয়াদা নোং কন্না চুবদগী মীওই অহুম শিখিবগা লোয়ননা ওথোরিটিশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মীয়ামদা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা ঈশিং-ঈচাও অমসুং লেন্দ স্লাইদ কয়া থোক্লে হায়রদুনা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে।

মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রবা চাংদা নোং কন্না চুখিবা লৈবাক অদুগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমগী ফুকুওকা, সগা অমসুং নাগাসাকি প্রিফেক্টচরশিংদা জপান মিটিওরোলোজিকেল এজেন্সি (জে এ এম)না মীয়ামদা চেকশিন্না লৈনবা খঙহনখিবনি।

এজেন্সি অসিনা মীয়ামদা অতৈ প্রিফেক্টচরশিংদসু ঈশিং ঈচাও হেক্তা থোক্লকপা য়াই হায়না ৱার্নিং পীবগা লোয়ননা খুদক্তা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎনবা আপিল তৌখি। সগা প্রিফেক্টচরদা নুপা অমা মহাক্কী কার অদু ঈশিংনা চেন্থবগা লোয়ননা থুমজিনখিবদগী শিখি। প্রিফেক্টচর অদুমক্তদা নুপী অমনা মহাক্কী কার অদু অচৌবা থোং অমদা তাশিনবদগী শিখি। অতোপ্পা নুপা অমা ফুকুওকা প্রিফেক্টচরদা ঈশিং থুমজিনখ্রবা মহাক্কী গাড়িদগী নাম্থোরক্লবা মতুংদা শিখি হায়না ইফে ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

জপানিজ ওথোরিটিশিংনা লৈবাক অদুগী ঈচাও মায়োক্নরিবা মীওই মিলিয়ন ১.৭দা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্লবা ওর্দরশিং অমসুং এদভাইজ রিশিং থোকখিবগা লোয়ননা মী কনবগী থবক্তা মতেং পাংনবা সেলফ-দিফেন্স ফোর্সেসকী মেম্বর ৪০সু থাখ্রে। ইমর্জেন্সি সর্ভিসেসনা কার মনুংদগী থোকপা য়াদনা লৈরিবা মীওইশিংনা তৌরকপা কোল কয়া ওকখি। সগা, ফুকুওকা অমসুং নাগাসাকিদা মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রবা চাংদা নোং কন্না চুবদগী ঈশিং ঈচাও কয়া থোক্তুনা মচি-মচিদা ট্রেন সর্ভিসশিং লেপহনখিবগা লোয়ননা লমদম অদুদা এক্সপ্রেসৱে কয়াসু ক্লোজ তৌখি।